HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)

Vol. 50, Issue No. 303 | লৈবাকপোকপা, ফাইরেনগী ২৩নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, February 10, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


### মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সত্রক্সন ৱার্করস ৱেলফেয়র বোর্দতা

## আর টি আইগী খূথাংদা ৱাহং খরা হংলকপদা অসুক য়াম্না মনা-মনিল নাইনরিবা করিগীনো

### মণিপুর ইনফোর্মেশন কম্মিশনদা আপীল তৌরকপদগী ফেব্রুৱারী ২৬তা ফাইনেল হিয়ারিং পাঙথোক্কদৌরি




হুইয়েন ব্যুরো

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ (ঐচএনএস) :** মণিপুর লৈঙাক্কী স্কিল, লেবর, এমপ্লোইমেন্ট এন্দ ওন্ত্রপ্রেন্যুওরশিপ লোয়শঙগী মখাদা লৈরিবা মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সত্রক্সন ৱার্কর্স ৱেলফেয়র বোর্দ (এম বি ও সী দব্লিয়ু দব্লিয়ু বি) দা লন্নাই মীওই অমনা রাইট টু ইনফোর্মেশন (আর টি আই) গী খূথাংদা ৱাহং খরা হংলকপগা লোয়ননা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্ট খরা পীবিয়ু হায়জরকপদা এক্ট অসিগী মতুংইন্না পীফম থোকপা মতমগী মনুংদা পাউখুম পীরক্তে হায়দুনা মণিপুর ইনফোর্মেশন কম্মিশনদা অহানবা আপীল খক্তা নত্তনা অনীশুবা আপীল ফাইল তৌরকপা থেংনরে।

থৌদোকশিং অসিদগী হংনরক্লিবা ৱাফমদি বোর্দ অসিদা আর টি আইগী খূথাংদা হংলকপা পাউখুমশিং এক্ট অসিগী মরী লৈনবা প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না পীবা য়াবা/পীফম থোক্লগনা এক্ট অসিগী মতুংইন্না পীবা য়াদব্রা নৎত্রগনা এক্ট অসিনা পীথোকপা য়াদে হায়বা পাউখুম/দোক্যুমেন্টশিং ওইরগসু পীথোকপা য়াদবশিংনি হায়না হায়রকফম থোক্তব্রা হায়বসিনি।

অদুবু এক্ট অসি মণিপুরদা থবক্তা ওন্থোক্তুনা চৎনরকপা কুইরক্লবসু থেঞ্জাং খরদা আর টি আইগী খূথাংদা হংলকপা ৱাহংশিংগী পাউখুম/দোক্যুমেন্টশিং পীদবা য়াওরকপদগী মণিপুর ইনফোর্মেশন কম্মিশনদা আপীল ফাইল তৌনরকপগী চৎনবী অমসু লৈরক্লি। অদুবু হায়রিবা ফীভম অসি য়ৌরক্তুনা অসুক য়াম্না মনা-মনিল নাইনরক্লিবা করিগীনো হায়বসি মীয়াম্না হংনরক্লি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা পাউচে অসিনা চংথখিবা ইনভেষ্টিগেশনগী দোক্যুমেন্টশিংদা য়ূম্ফম ওইদুনা ফংলকপা রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না মমাঙ চহী ২০২৫গী এপ্রিল ২১দা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ইরিলবুং পি এসনা কোনবা ক্যামগৈ মমাঙ লৈকায়দগী কোইজম তোম্বা কৌবা মীওই অমনা এপ্লিকান্ট ওইদুনা আর টি আই এক্ট-২০০৫গী মখাদা মণিপুর লৈঙাক্কী এস পি আই ও/সেক্রেটরি (স্কিল, লেবর, এমপ্লোইমেন্ট এন্দ ওন্ত্রপ্রেন্যুওরশিপ দিভেলপমেন্ট) দা ৱাহং মঙা হংবগা লোয়ননা এপ্রিল ১০, ২০২৩গী বোর্দ অসিগী লেট্টর নম্বর এম বি সী দব্লিয়ু বি/আর টি আই -এ পি এন/০৪/২০২৩গী ফোটো কোপিশিং পীবিয়ু হায়জখিবনি হায়রি।

এপ্লিকান্ট অসিনা হংখিবা ৱাহংশিংদি - (১) বোর্দ অসিদা হৌজিকমক্কী ওইনা কন্ত্রেক্টুচুএল ষ্টাফ/রেগ্যুলর ষ্টাফ কয়া লৈবগে। মখোয়গী এপোইন্টমেন্ট ওর্দরশিং পীবিয়ু। (২) পোষ্টশিংগী কেটেগোরি করি-করিনো, পোষ্টশিং অদুগী এপ্রুভ তৌবগী কোপি অমা অমসুং ষ্টাফশিং অদুগী মমিং-মথাগা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# লিতানদা লৈঙাক্কী ক্বার্টর ৪ য়াওনা য়ূম ২০ হেন্না মৈ থাদোক্লখ্রে

## অহেনবা ফোর্স থোমজিনখ্রে, ঙসিদগী ইম্ফাল-উখ্রুলগী মরক্তা হেলিকোপ্টর সর্ভিস লৈরগনি

### উংখৎনরিবা ফূরুপ অনীগী মরক্তা ৱারোইশিন পুরক্লবা লিতান পুলিস ষ্টেশনদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর লোসি দিখোনা লুচিংদুনা মীফম পাঙথোক্লিঙৈদা নোংমৈ কাপ্পগী মখোল কয়া তাখি



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ (ঐচএনএস) :** হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা য়ু থকচিল্লুরবা 'ষ্টর্লিং' কৌবা নাগাগী মীওই অমনা মীগী মখোল তারকই হায়দুনা মহাক্না পায়বা টোর্চ লাইট কাপ্পুবদা কুকিগী মীওই খরনা মখোয়দা টোর্চ লাইট কাপশিল্লকই হায়বগী ৱাহৌদগী নাকল অনীগী মরক্তা ফূন-চৈনবা থোক্তুনা অশোক-অপন য়াওরকপদগী লিতানদা খুন্দামিন্নরক্লিবা ফূরুপ অনীগী মরক্তা উংখৎনবা হেন্না চাওথোরকখ্রে।

লৈঙাক্কী মায়কৈদগী উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা ঙরাং নুমিদাংদগী হৌরদুনা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোরক্তনবা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থমখ্রবসু অথিংবা অসিগী মনুংদা নাকল অনীনা খুদোংচাবা তাঞ্জা লৌনদুনা লৈঙাক্কী ক্বার্টর ৪ য়াওনা য়ূম ২০ হেন্না মৈ থাদোকখ্রে।

মৈ থাদোকখ্রবা য়ূমশিংগী মনুংদা কুকিগী ৪ অমসুং নাগাগী ১৭ হেন্না য়াওরি। ঙরাংদগী হৌরদুনা লিতানদা নাকল অনীগী মরক্তা উংখৎনরকপদগী মণিপুর পুলিসকী আই জি পি অমা অমসুং দি আই জি অমা য়াওনা উখ্রুলগী এস পিনচিংবনা লুচিংবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা থৌদোক ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## ফৎমন্দবদগী লৈবাক ৱাথোক হঞ্জিন-হঞ্জিন ওইখ্রবা ময়ায় লম্বী চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংবা মিনিষ্টর-এম এল এ ৩০না শেম্বা হৌহনখ্রে

### কুকি-জোগী মীওইশিংনা লায়েংবা লাকপা অমসুং ইম্ফালদা লাকপদা করিগুম্বা অমত্তা থোকহল্লোই : ৱাই খেমচান্দ



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ (ঐচএনএস) :**

চহী কয়াগী মমাঙদগী মণিপুর লৈঙাক্না থৌ-ৱা শাদনা লৈথোরকপদা নত্তনা নেশনল হায়ৱে-১৩৭এ ওনখৎলবা ফাওবদা মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিনা মতম চানা মীৎয়েং চঙলক্তবদগী মণিপুরগী মনুংদা খ্বাইদগী ফীভম ফত্তবা লম্বী অমা ওইরকপদগী মীয়াম্না অকনবা খোঙজংশিং মনম-মনম চঙশিল্লক্তুনা হঞ্জিন-হঞ্জিন লৈবাক ৱাথোক ওইখ্রবা ময়ায় লম্বী হায়রগসু খঙনবগা লোয়ননা নেশনল হায়ৱে ওনখৎপদগী ইম্ফালগী ৱাহেংবম লৈকায়দগী ককচীং লমখাই ফাওবা কিলোমিটর ৪৫ রোম শাংলিবা লম্বী অসি ঙসিদগী চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা লুচিংবা মিনিষ্টর-এম এল এ ৩০ মুক্না শরুক য়াদুনা অচৌবা থৌরম অমা পাঙথোকপগা লোয়ননা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

### চেন্নবা অহুম ফারে : পুলিস

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ (ঐচএনএস) :** পুলিস কন্ত্রোল রুমগী চেরোল অমনা ঙরাং শীংজমৈ পুলিস ষ্টেশননা কোল্লিবা লিলোং চজিংদা বোম পোকখায়হল্লম্বা থৌদোক্কী মতাংদা লৌখৎপা কেসকী ইনভেষ্টিগেশন চংথরকপদা চেন্নবা কে সী পি-অপূনবগী কাদর অহুম ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইষ্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী ফারে হায়না ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না ফারবশিংদি চনা ময়ায় লৈকায়দগী লাইশ্রম বুলু (৩৯), ললাম্বুং তখেল্লম্বম লৈকায়দগী পুয়ামচা দেভিদনি। মখোয় অনী ঙরাং ৱাথম লৈরক ক্রোসিংদগী ফাবনি অদুগা খুরাই কোংপাল সাজোর লৈকায়দগী নিংথৌজম চলাম্বা (২৯) না ঙসি খেৱা বজারদগী ফাবনি হায়রি।

মখোয়দগী মারুটি জীপসি এম এন-০১/এ কে-৩৬১৫, মরূ ১৭ য়াওবা পোইন্ট ৪৫গী পিষ্টোল অমা, মোবাইল ফোন অহুম, লুপা ২২০ য়াওরম্বা ৱাল্লেট অমা, আধার কার্দ অমা অমসুং স্ক্রুদ্রাইভর অমা, সিকল অমা অমসুং নোটবুকশিং য়াওনা অতৈ পোৎলমশিংসু রিকোভর তৌরে হায়রি।

### বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী অনৌবা প্রসিদেন্ট

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ (ঐচএনএস) :** পাউগী এজেন্সী অমনা তৌরকখিবা রিপোর্টকী মতুংইন্না চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা লুচিংবা অনৌবা লৈঙাক লিংখিবা অমসুং বি জে পিগী অনৌবা নেশনল প্রসিদেন্টসু খনখ্রবা মতুংদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী অনৌবা প্রসিদেন্ট অমা অথুবা মতমদা খল্লগনি হায়রি।

লোয়ননা থা অসিগী ৪দা ৱাশক লৌখিবা মণিপুরগী অনৌবা লৈঙাক্তা থা অসিগী ১২দগীনা ১৫ ফাওবগী মনুংদা অনৌবা মিনিষ্টরশিং হাপচিন্দুনা চাওথোকহনবগা লোয়ননা পোর্টফোলিওশিংসু য়েন্থোক্লবা য়াই হায়রি।

## নাগালেন্দগী দিষ্ট্রিক্ট ৬তা ফ্রন্টিয়র নাগালেন্দ টেরিটোরিএল ওথোরিটি পীবগী থৌওং মণিপুরদসু চথরক্কদৌরিব্রা

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ (ঐচএনএস) :** চহী খরগী মমাঙদগী নাগালেন্দগী তোঙান তোঙানবা ফূরুপ ৮না খুন্দারক্লিবা দিষ্ট্রিক্ট তরুক পুনশিল্লগা 'ফ্রন্টিয়র নাগালেন্দ টেরিটোরিএল ওথোরিটি' শেম্নবগীদমক হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ য়াওনা দেল্লীদা খূৎয়েক পীনদুনা দিমান্দ অসিবু তাল্লক্লিবা ইষ্টর্ন নাগালেন্দ পিপলস ওর্গনাইজেশন (ঈ এন পি ও) অমসুং নাগালেন্দ লৈঙাক্কী মরক্তা ৱারোইশিন অমা পুরকখিবা অদুগুম্না মণিপুরদসু কুকি-জো-মারগী ফূরুপশিংনা লেজিসলেচরগী পৱার য়াওবা য়ুনিয়ন টেরিটরি (সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন) অমা পীগদবনি হায়দুনা তাল্লক্লিবা দিমান্দ অসিগী ৱারোইশিনদা নাগালেন্দগী থৌওং অসি চথরক্কদৌরিব্রা হায়বগী ৱাহং হংনরক্লে।

হীরম অসিগী মতাংদা লৈবাক অসিগী মশক নাইবা ন্যুজ এজেন্সী অমা ওইরিবা 'ইন্দিয়ন এক্সপ্রেস' না ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা ফাইল তৌরকখিবা রিপোর্ট অমদা নাগালেন্দগী থৌওং অসিগী লিক্লমদা মণিপুরগীসু কুকি-জোগী পীস পুরকপগী ৱারোইশিন পুরক্লবা অরোইবা তাঙ্কক য়ৌশিল্লক্লে হায়না ফোঙদোরক্লি।

লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ফংবনি হায়বা পাউ পল্লদুনা এজেন্সী অসিনা হায়, মণিপুরগী অনৌবা লৈঙাক্তা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর নেমচা কিপগেন য়াওনা কুকিগী এম এল এ অহুম শরুক য়ানবা থৌরাং লৌখৎলকখিবা অদু সেন্টরগী মায়কৈদগী নাগালেন্দগী থৌওং অসিগুম্না অহেনবা পৱার পীগনি হায়বগী থাজবা পীবদগীনি হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### বোম পোকখায়হল্লম্বগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ (ঐচএনএস) :** ঙরাং নুমিদাংৱাইরম লিলোং চজিং মমাঙ লৈকায়দা লৈবা আর ঈ দিগী ঈ ঈ পি রাজেন্দ্রোগী য়ূমদা গ্রেনেদ লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্বগী মায়োক্তা ঙসি চজিং অপূনবা মৈরা পায়বীনা য়ানীংদবা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

থৌদোক অদু করিগীদমক থোকহল্লম্বনো হায়বদু মরী লৈনবশিংনা মীয়াম খঙনা শেংদোকপীরকউ হায়না চজিং অপূনবা মৈরা পায়বীগী প্রসিদেন্ট মাইবম রেনুবালানা ফোঙদোকখ্রে।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

### 'হুইয়েন লানপাউ'না সাইতোন নম্বর-২ প্রাইমারি স্কুলগী পাউ ফোঙলুবগী মহয়

## হায় কোর্টকী ওর্দরদগী লৈঙাক্না শেমজিনবা হৌরে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ (ঐচএনএস) :** কুমজা ২০১৯গী এপ্রিল ১৫দা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ শিৎপগা লোয়ননা নোং কন্না চুবদগী ফীভম থীনা শোকহনখিবা সাইতোন নম্বর-২ প্রাইমারি স্কুলগী ওইখিবা শক্তমগী ফোটো অসিগা কোন্ননা হুইয়েন লানপাউনা জুলাই ২৯, ২০২৫দা ফোঙখিবা রিপোর্টতা য়ূম্ফম ওইরদুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেশন (পি আই এল) অমগী ৱায়েলদা কোর্টনা পীরকপা দিরেক্সনগী মতুংইন্না মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী স্কুল অসিবু শেমজিন-শাজিনবগী থবক চথবা হৌখ্রে।



কুমজা ২০১৯দা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা শোকহনখিবা সাইতোন নম্বর-২ প্রাইমারি স্কুলগী ফীভম (ফাইল ফোটো)

পাউচে অসিনা মীয়ামদা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## এম পি এ লিংখৎখিবগী ৩৯শুবা রেজিং দে পাঙথোকখ্রে



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ :** পাম্বৈনা লুচিংবা য়ুনাইটেদ নেশনল লিবরেশন ফ্রন্ট (য়ু এন এল এফ) : মণিপুরগী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটি এন্দ এদ্যুকেশনগী সেক্রেটরি চরাইরোংবা থোকচোমগী চেরোল অমদা এম পি এ লিংখৎখিবগী ৩৯শুবা রেজিং দে পাঙথোকখ্রে হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, ঙসি ৯ ফেব্রুৱারী, ২০২৬ নুমিৎ অসি য়ু এন এলএফকী লান্মী শঙলূপ এম পি এ লিংখৎতুনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## এম পি এগী ৩৯শুবা মপোক কুমওন মায় পাক্না পাঙথোকখ্রে




**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ :** কোইরেংনা লুচিংবা য়ুনাইটেদ নেশনল লিবরেশন ফ্রন্ট (য়ু এন এল এফ) : মণিপুরগী সেন্ত্রেল কম্মিটিগী সেক্রেটরি (পব্লিসিটি) এম শকহেনগী চেরোল অমদা এম পি এগী ৩৯শুবা মপোক কমওন মায় পাক্না পাঙথোকখ্রে হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, ঙসি ৯ ফেব্রুৱারী, ২০২৬ নিংথৌকাবা নুমিৎসিদা য়ুনাইটেদ নেশনল লিবরেশন ফ্রন্ট : মণিপুরগী লান্মী শঙলূপ মণিপুর পিপলস আর্মি (এম পি এ) গী নৌনা শাফোঙলকপগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৭




HL-B/11175/10